মিজোরামসু কোভিদ-১৯গী কেস অমত্তা লৈতবা ষ্টেট ওইরে হায়না লৈঙাক্লা লাউথোকখ্রে

আইজোল, মে ১০ (এজেন্সি):

মিজোরামসু কোভিদ-১৯গী কেস অমত্তা লৈতবা ষ্টেট অমা ওইরে হায়না লৈঙাক্লা লাউথোকখ্রে। খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপা মীওইশিংনা নম্না খুন্দাবা ষ্টেট অসিবু মণিপুর, সিকিম, নাগালেন্দ অমদি অরুনাচল প্রদেশকা মান্নবা মওংদা কোভিদ-১৯ ফ্রী ষ্টেট ওইরে।

ষ্টেটকী হেল্থ মিনিষ্টর আর লালথংলিয়ানানা হায়খি, জোরাম মেদিকেল কোলেজ (জেদ এম সী)দা লায়েংলম্বা কোভিদ-১৯ গী পেসেন্ট অদু ফিভম ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌরে। মরিরক হন্না টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরকপদগী মীওই অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম দিসচার্জ তৌখিবনি। হেল্থ মিনিষ্টরনা জোরাম মেদিকেল কোলেজগী দোক্তর, নর্স অমদি ষ্টাফ পুম্নমক মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মিজোরামনা কোভিদ-১৯ ফ্রী ষ্টেট ওইরকপদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা. হর্ষবর্ধনন থাগৎপা ফোঙদোরক্লে। ইনফেন্ট মোর্টেলিটি রেট (আই এম আর) পোইন্ট ১০ হন্থরকপগী মতাংদসু ষ্টেট অসিবু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

মিজোরামগী ওইনা মশাগী চহী ৫০ হেল্লবা পাষ্টর অমা অমসটর্দামদগী হল্লক্লবা মতুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখি। মার্চ ২৪ দা পোজিটিভ ওইরে হায়বা হেক খঙলকপগা নুমিৎ অদুমক্তদা জেদ এম সীদা পুখত্তুনা লায়েংখি। পাষ্টর অদুগী লোইনবী অমসুং মচাশিংদি নেগেটিভ ওইরম্বদগী দিসচার্জ তৌখি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখিবা পাষ্টর অদু নুমিৎ ১৪ নি ময়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈননবা খঙহনখ্রে।

চৈরকসিদা, মিজোরামগী ওইনা ইনফেন্ট মোর্টেলিটি রেদ পোইন্ট ১০ হন্থরক্লে। মমাংদা মোর্টেলিটি রেদ ১৫ ওইরম্বদগী হৌজিক্তি শুপ্ন গী ৫ দা হন্থরে। পোকপদা ঙাইরিবা শিবগী চাং হন্থহনবা ঙম্লিবসি শীংথানিংঙাইনি হায়না লৌনরি।

গ্রীন জোনদা অথিংবা খরা কোমথোক্লে

শিল্লোং, মে ১০ (এজেন্সি):

মেঘালয়াদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লোকদাউন তৌরিঙৈগী চৈরক্তা ষ্টেট লৈঙাক্ল া দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা অথিংবা খরা কোমথোক্লবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর প্রেষ্টোন তিন্সোংনা হায়খি মদুদি, গ্রীন জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা মখল খুদিংমক্কী দুকান থোঙ হাংহল্লগনি। পব্লিক ট্রান্সপোর্টকী ওইনসু পেসেঞ্জর চাদা ৫০ তোংহল্লগা সর্ভিস তৌবা হৌরগনি। পব্লিক অমদি প্রাইভেট ট্রান্সপোর্টেসনগী থবক থৌরমশিং পালি নাইনা থবক তৌহন্নবা ফিরেপ লৌরে। শিল্লোংগী ওইনা ওটোমোবাইল অমদি ষ্টেসনরিগী দুকানশিং থোঙ হাংহল্লগনি। চীফ মিনিষ্টর কোনরেদ কে সংমানা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম দা লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

ক্বারন্টিন সেন্টরদগী চেনখিবা মীওই ফারে

অগরতালা, মে ১০ (এজেন্সি):

থাংজ নুমিত্তা ত্রিপুরাগী ক্বারন্টিন সেন্টরদগী চেনখিবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা ট্রক দ্রাইভর অমা অসামদা ফারে।

মীওই অদু নোর্থ ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী চুরাইবারিদা হাংদোকপা ক্বারন্টিন সেন্টরদগী ঙরাং চেনখিবনি। কনাগুম্বা অমত্তদা তাক্লম্বা তৌদনা ক্বারন্টিন সেন্টরদগী চেনখিবা মীওই অদু অসামগী করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্টতা থেংনবদগী ফাখি। অসামগী ওথোরিটিশিংনা ফারবা মীওই অদু করিমগঞ্জদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট সিভিল হোস্পিটালগী আইসোলেসন ৱার্দতা নাইতোম থল্লি।

মীয়ামগী ৱাকৎ তানবা খঙহনখ্রে

কোক্রাঝার, মে ১০ (এজেন্সি):

লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা মীয়ামগী ৱাকৎ তাগদবনি হায়না বোরোলেন্দ টেরিটোরিয়ল কাউন্সিল (বি টি সী)গী এদমিনিষ্ট্রেটর রাজেস প্রসাদনা খঙহনখ্রে। মুসালপুরদা পাঙথোকপা রিভিয়ু মীটিং অমদা মহাক্না হায়খি, লুরবা তানফম অসিদা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসল পুম্নমক্না মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা হোৎনবদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙগদবনি।

ফোল আর্মি ৱর্মনা নাগালেন্দগী খুঙ্গং তরেৎতা মহৈ-মরোং মাঙ-তাকহল্লে

দিমাপুর, মে ১০ (এজেন্সি):

নাগালেন্দগী মকোকচুং দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা খুঙ্গং ৭ তা ফোল আর্মি ৱর্মনা মহৈ-মরোং পাক শন্না মাঙ-তাকহল্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল রিপোর্ট অমনা হায়, কোবুলোং ব্লোক্কী য়িমচালু অমদি মোপুংচুকেট; ওংপাংকোং সাউথ ব্লোক্কী খেনসা, কিমনুংগর অমদি মাংমেতোং লোয়ননা ওংপাংকোং নোর্থ ব্লোক্কী উংমা অমদি মকোকচুং ভিলেজদা ফোল আর্মি ৱর্মনা মহৈ-মরোং কয়ামরুম পাক শন্না মাঙ তাকহল্লম্বা থেংনখি।

ফার্মরস ফ্রেন্দ কৌবা লৌমীশিংদা মতেং পাংবা কাঙলুপ অমনা ৱাফম অসি খঙহল্লকখ্রবা মতুংদা মকোকচুং দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচর ওফিস, কৃসি বিকাস কেন্দ্র অমদি এগ্রীকলচরেল টেক্নোলোজি মেনেজমেন্ট এজেন্সিগী মীহুৎশিং য়াওবা টিম অমনা মফম অদুদা চত্তুনা ফিভম য়েংশিনখি।

টিম অদুনা তোঙান-তোঙানবা লৌফমদা চত্তুনা য়েংশিল্লুবদা খুউমুক ৱাংলবা চুজাক পান্থীশিংদা ফোল আর্মি ৱর্মনা মরুম কোকশিল্লবা থেংনখি। চুজাক পান্থী চাদা ৮০ রোম মাঙ-তাকহল্লম্বসু থেংনখি।

লৌফমদা তারিবা তিল হাত্তোক্ল বগী পান্দমদা তিলহাৎ হীদাকশিং য়েন্থোকপা হৌরে।

হৌজিক-হৌজিক মকোকচুংদা লৈরিবা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাঙবু অদুনা তোঙান-তোঙানবা লৌফমদা চত্তুনা মহৈ-মরোংশিংদা তিল তাবগী ফিভম কুপ্না য়েংশিনবা হোৎনরি। লৌমীশিংদা ফোল আর্মি ৱর্মনা থোকহল্লকপা য়াবা অমাঙ-অতাশিংগী মতাংদসু ৱাখল তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হোৎনরি।

অমরোমদা, কৃসি বিগ্যান কেন্দ্র মকোকচুং ৱাপ্পুনা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচরেল ওফিস অমদি এ টি এল এগা খুৎশম্ন দুনা লৌমীশিংবু কোভিদ-১৯গী মরমদা ৱাখল তাহন্নবা কেম্প্যেন চথখ্রে। লৌমীশিংদা ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজর য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা মীপুম খুদিংমক লু-নানবগী হৈনবী থমদুনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না খঙহনখি।

ষ্টেটকী পাউ

‘মতম মতমগী ঈ-পাউ ফংহনবীদবনা অৱাবা মায়োক্নরি’

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

মীপায়নিংঙাই ওইরবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনরদুনা মতম মতমগী ওইনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মরীক চুম্বা ঈ-পাউশিং মীয়ামদা য়ৌহনবীদবনা অৱাবা, খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লে হায়না ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন নাওরেম সঞ্জিৎকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কোভিদ-১৯ থেংননবা লৌখৎতুনা লাকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ঙসি ককচিং কৈথেল নম্বর ২গী পোৎফম মথক্তা শাজিল্লম্বা শগাইশিং শীদোকপা অমদি ফত্তা হাওদিশিং শেংদোকপগী থবক পায়খৎখিবা চ্যেরপার্সন সঞ্জিৎকুমারনা হায়, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কোভিদ-১৯ থেংননবা ককচিং কৈথেলগী অকোইবা অমদি লৈকায়-লৈকায়দা দিসইনফেক্টেন্ট লিক্যুইদ কাপথোকপা, ফেসমাস্ক য়েন্থোকপা, চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা, পব্লিসিটি চৎতুনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবগী থবকশিং চথুদুনা লাক্লি। কাউন্সিল অসিনা মতম মতমগী ৱারেপ লৌজদুনা কোভিদ-১৯ থেংননবা থবকশিং পায়খৎতুনা লাক্লি। ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা তাথোক-তাশিন তৌমিন্নদুনা মতম মতমগী ঈ-পাউ ফাউদোক-ফাওজিন তৌরগা পুন্না মতেং পাংনদুনা লায়না-লাইচৎ অসি থেংনমিন্ননবা হোৎনগদবা অদুসু ঈ-পাউ ফাওনবা ৱাৎপদগী মীয়ামদা ঈ-পাউ মরিক চুম্না ফংহনবা ঙমদবনা চমন্নবা পোকহল্লে।

মীয়ামগী মীহুৎ ওইরুবনা কাউন্সিল্লরশিংদা মাগী মাগী লৈকায়গী মপান্দগী লাকপশিং কমদৌনা, কদায়দা থমগনি হায়বগী ৱাহং কয়াসু লাক্লিবনি। অদুবু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনন্না মতম চানা পাউ পীবিদবনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া অমসু মায়োক্নরি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননসু ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা মতম মতমগী ওইবা ঈ-পাউ ফাউদোক ফাওজিন তৌমিন্নবগী মথৌ তাব্রা হায়নসু খল্লি। কোভিদ-১৯ থেংনবদা অমগা অমগা কো-ওপরেসন পীনবগী মথৌ তাবা লৈ। ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওইনদি কোভিদ-১৯ থেংননবা মখা তারকপদসু থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোরক্লি।

সঞ্জিৎকুমারনা মখা তারদুনা হায়, ককচিং কৈথেল (অরিবা) মার্কেট নম্বর ২ অসিদা পোৎফম ফল্লিবা ইমা-ইবেলশিংনা মাগী মাগী পোৎফম মথক্তা শগাই শাজিন্দুনা পোৎ-চৈ থমজিনবনা কৈথেল অসিগী মশক থিহনবখক নত্তনা মোৎশিলহনবা অসি শেংদোক্লবা কাউন্সিলনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না লোকদাউন মনুংদা কৈথেল কান্নদবগী মতম অসিদা শীদোকপনি। লোয়ননা মখা তারকপা ওইনা কৈথেলশঙ্গী য়ুম্বীশিং রিপ্যেরিং তৌবা অমদি কৈথেলশঙ্গী মনুংদা লৈরিবা অমোৎ-অকায়শিং লৌথোকপগী থবকসু পায়খৎখিগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর, ৱার্দ মেম্বর, ষ্টাফ, সেনিটরি ৱার্কর, ককচিং পুলিসকী ওফিসার ইনচার্জ এ কে প্রেমজিৎ অমদি পুলিস পার্সনেল কয়াসু শরুক য়াখি।

লৈতা লাইরশিংগী য়েংদুনা কোভিদ-১৯গী লোকদাউন অসি কাংলোন খরা কোমথোকসি : সী পি আই

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

লৈতা-লাইরশিংগী য়েংদুনা লোকদাউনগী কাংলোন খরা কোমথোকপীয়ু হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই)গী ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোতিনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরদা কোভিদ-১৯না চাওনা শোকহন্দ্রবসু মালেমগী মীয়াম্না কীনরবা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হৌজিক ফাওবা অনৌবা হিদাক মখল অমত্তা পুথোকপা ঙমদ্রিবা মরম্না ষ্টেট অসিদা লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংনবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবা চংই। অসাম, মেঘলয়া অমদি ত্রিপুরাদা লাইচৎ অসিদগী নারবা মশিং খঙহৌদনা খঙহেন হেনগৎলকপা মরম্না ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লৈতবা গ্রিন জোন ওইরে হায়দুনসু লাইচৎসিদগী ঙাকথোক্লুবা হোৎনবা তাই। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন, ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা পীরিবা পাউতাকশিং মরু ওইনা সোসল অমসুং ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎপীয়ু।

চহীসিগী মার্চ ২৫দগী চথখিবা লোকদাউনন্না মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী কাংলুপ খুদিংমক্না মায়োক্নরিবা অৱাবশিং খরা মখৈ কোকহন্নবা মে ৩দগী লোকদাউন কাংলোন খরা কোমথোকহল্লুবদা নোংমগী শুরগা হিংনবা হোৎনরিবা লাইরবা ইমুংশিংদা নত্তনা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর কয়াদা অনৌবা ৱাখল অমা ফাওহনখি। মশিং য়াম্লবা মীয়াম কোমথোক্লিবা লোকদাউনগী কাংলোন ঙাক্লক্তবা মরু ওইনা সোসল অমসুং ফিজিকেল দিষ্টেন্সিংগী ৱাহন্থোক খোঙ্গাওনরকপদগী লৈঙাক্লা মে ২৫দগী লোকদাউন কনশিনখিবনি হায়বা মীয়াম্না খন্থফম থোকই।

লোকদাউনগী কাংলোন হেন্না কনশিনখিবা অসিদগী নোংমগী শুরগা হিংনবা হোৎনরিবা ইমুংশিংনা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর কয়াগী নীংবা কায়হনখি। মসিগীদমক ঐখোয়না লৈঙাক অসিদা মরাল থংজিনগদবা নত্তে। তোন্না হিংলিবা মশিং য়াম্লবা মীচম মীয়ামদা নীংবা কায়হনখি। লোকদাউন হেন্না কনশিনখিবদগী খুল্লক অমদি লৈকায় লৈকায়দা য়োন্নরিবা হিংবদা চংবা তঙাইফদ্রবা পোৎলম কয়াগী মমল ৱাংখৎলকপদা নত্তনা মনা-মশিং মখল কয়াসু মমল ৱাংবা হেল্লক্লি। শেৎপা-চাবা মনিং থুংদ্রবা মীচম কয়াগী ইম্যুন সিষ্টেম শোন্থহনগনি। লাইবক থিবদগী লাইচৎ অসিনা নাবা য়াওরক্লুবদি কোভিদ-১৯গী হোটস্পোট ওইরকপা য়াবগী থাজবা ৱাংই।

থৌদোক অসি থোকহন্দনবা মণিপুর লৈঙাক্লা লৈতা লাইরশিংগী য়েংদুনা লোকদাউনগী কাংলোন অমসুং কার্ফিয়ু খরা কোমথোকহনবনা ষ্টেট অসিগী অফবা ওইগনি। মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না লোকদাউনগী কাংলোন ঙাক্তে হায়বগী লৈঙাক অসিনা লৌখিবা ৱারেপ হোংদ্রবদি পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লকপা য়াবগী চিংনবা ৱাংই। অহিংদা লৈকায়গী দুকান ছো থুগাইরগা পোৎ-চৈ হুরানবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা হেল্লকপা, নুপীদা চথবা মীওৎ মীনৈ হেল্লকপা অমদি ৱাখল লায়ননা নাহল্লকপা য়াবগী থাজবা ৱাংনা লৈ। লৈঙাক অমদি কোভিদ-১৯ মোনিটরিং কম্মিতিনা লোকদাউনগী কাংলোন খরা কোমথোকহন্নবা অমদি মাও গেটতা অহেনবা মেদিকেল টিম থম্ন বা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ন্যুজপেপর হোকরস এসোসিএসন শেমখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নুংতিগী মীয়ামদা পাউচে য়েন্থোকপগী থবক তৌরিবা হোকরশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক সোরোক ৱাংমদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ন্যুজপেপর হোকরস এসোসিএসন কৌবা অমা শেমখ্রে। সোইবম লোকেন্দ্রো অমসুং অহোংশাংবম রতননা থৌরম মপুশিং ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এস রঘুমনিবু প্রসিদেন্ট, কে ঐচ লৈশং অমসুং ও রোমিওনা ভাইস প্রসিদেন্ট, এম লোকেন্দ্রোনা জেনরেল সেক্রেটরি, এ রতননা ফাইনান্স সেক্রেটরি, এল বিরলানা পব্লিসিটি সেক্রেটরি, ঈ রোমেশকুমারনা জোইন্ট সেক্রেটরি অদুগা এম নিরঞ্জননা কো-ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা য়েৎনবা লৈতনা থৌ পুনবা খনখ্রে হায়রি।

রাম কৃষ্ণ মিসনা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা রিলিফ কেম্প পাঙথোক্তুনা লোকদাউনন্না মরম ওইরগা অৱাবা তারবা উপোকপী খুনৌ ৱার্দ নম্বর ১০ অমসুং শান্তিপুর ৱার্দ নম্বর ২ নিংথৌখোঙগী শোত্থরবা ইমুং ২৬৮দা রাম কৃষ্ণ মিসন ইম্ফালগী মায়কৈদগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং হাইজিন কিটশিং য়েন্থোকখ্রে।

রিলিফ কেম্প পাঙথোক্তুনা শোত্থরবা ইমুংশিংদা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা অদুদা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমসু লাক্তুনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা রাম কৃষ্ণ মিসনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

খুনদা হৌবা মনা-মশিং য়ু সী এমদা খুদোল তন্নকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

চাদোং ৱেষ্ট, ন্যু মফাও জোইন্ট দিভ্লপমেন্ট কম্মিটিনা মখোয়গী খুনদা হৌবা মনা-মশিং য়ু সী এমদা পীরকখ্রে হায়না য়ু সী এমগী বি এম য়াইমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মতম শাংনা লৈরকপদগী চীং অমসুং তমদা খুদারিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অমনা অমদা মতেং পীনদুনা হিংমিন্ননবা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ফাওবদা তমগী মনাওশিংগীদমক য়ু সী এমদা চীংগী ইচিল-ইনাওশিংনা মতেং পাংবা লেপত্রি। য়ু সী এমনসু তমগী মীয়ামগী মহুৎ শীল্লগা চীংগী ইচিল-ইনাওশিংগী মফমদা অৱা-মৈশা মায়োক্নরিবা খুঞ্জাশিংদা অঙম্বা মতেং পাংবা লেপত্রি। ঙসি কামজেং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চাদোং ৱেষ্ট ন্যু মফাও জোইন্ট দিভ্লপমেন্ট কম্মিটিনা মখোয়গী খুনদগী মনা-মশিং য়ু সী এমদা খুৎশিন্নরকখ্রে। য়ু সী এমগী মায়কৈদগীসু চেঙ, আলু, তিলহৌ মতেং পাংখ্রে।

কম্মিটি অসিগী ভাইস চ্যেরমেন সিনাওঙমনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি পুরক্লিবা মনা-মশিং অসি তমদা লৈরিবা ইচিল-ইনাওশিংদা খরদা ওইরবসু পীজনবা য়ু সী এমদা শীন্নবনি। অৱাবা তারবা মতমদা অৱা-অনা হংনবা হায়বসিনা ইচিল-ইনাও ওইব্বগী মরী চেৎশিনহল্লি। চীফ মিনিষ্টরগী পূক্লিং চিংশিন্দুনা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লমখি।

থৌরম অদুদা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেল অসি ইচিল-ইনাওনি। অৱাবা তারকপা মতমদা ঐখোয় মশেল মতেং পাংনদুনা হিংমিন্ননবা হোৎনরিবা অসিনা নুংশিনবগী খ্বাইদগী ময়েক লারবা খুদমনি। মসিগী নুংশিনখ্রবা মরী অসি ঐখোয়না মতম চুপ্পদা ঙাক্তুনা তুং কোয়না লমদম অসিগী মচা ওইনা হিংমিন্নগদবনি। ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা অঙম্বা মতেং খরা চীংগী মীয়াম্না হৌজিক থেংনরিবা অৱাবা অসিদা শরুক য়াবনি। পীরল্লিবা পোৎলমশিং অসি মীয়ামদা অমুক য়ু সী এমনা য়েন্থোক্কনি। মনা-মশিং কয়া পুরক্তুনা তমগী ইচিল-ইনাওশিংগীদমক খনবীদুনা মতেং পাংলকপা অসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। চীং-তম অনীগী মচিন-মনাও ওইবগী মরী অদু চেৎশিনহল্লি।

ব্রিন চুরূট পেকেট ৯৫০০ গা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

হৈরোক পুলিস ষ্টেসন্না চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ রোম তাবদা হৈরোক পার্ট টুগী কৈথেল এরিয়াদা থি-হুম্বগী থবক চথবদা চুরূট ৱিন পেকেট ৯৫০০ গা কোন্ননা মীওই ২ ফারে।

হৈরোক পুলিস ষ্টেসনগী ও সী, এন প্রেমজিৎনা লুচিংবা এস আই, টি ঐচ আনন্দ অমদি য়ুনুস খান য়াওনা ফাগৎখিবা মীওই অনী অদুদি, নিংথৌজম আনন্দ (২৫), অপোকপা ইতোবী অমদি মহেশ লাইশ্রম, অপোকপা মংলেমনি। মখোয় অনী হৈরোক পার্ট টুদা লৈবনি। মখোয়দগী ৱিন চুরূট পেকেট ৯৫০০ ফাগৎখি হায়রি।

থৌবাল তুরেল কন্দুনা থৱায় কনবীয়ু : ক্লব

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

থৌবাল তুরেল কন্দুনা ঐখোয়গী থৱায় কনবীয়ু হায়না নিঙোম্বম আইদিএল য়ুথ ক্লবকী সেক্রেটরি দেবানন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌবাল তুরেল অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। মীওইবনা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা ঈশিং নীংথিনা ফংহন্নবা হোৎনবা তাই। থৌবাল তুরেলনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াগী খুঙ্গং কয়াদা ঈশিং পীদুনা লাক্লি। অহিংবশিংগী থৱায় ওইরিবা ঈশিং ফংহন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। থৌবাল তুরেল অসি নোংম-নোংমগী মীওই খরগী থৌওংদগী শোকচিল্লক্লি। থৌবাল তুরেলদগী নুঙ, লৈঙোই পেকপা অথিংবা থমখি। অথিংবা লৈনা লৈনা ঙসিসু থৌবাল তুরেলদগী লেপ্পা লৈতনা নুঙ, লৈঙোই পেকপগী থবক চথুরি। মসিনা মরম ওইরগা ঈশিং নৈহল্লি। লৈঙোই পেক্লিবা অসি লৈঙাকপু উশিৎতবনি। লৈঙাক্লা অথুবদা মীৎয়েং চঙদুনা থৌবাল তুরেল হান্নগুম অরুবা ঈশিং চেলহনবীয়ু। থৌবাল তুরেল অসি ঐখোয়গী থৱায়নি। তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াগী মীওই কয়া থৌবাল তুরেলদগী ঈশিং শীজিন্নরিবনি। য়াম্না মরুওইবা তুরেল অসি হৌজিক ঈশিং নৈবনা মরম ওইরগা শীজিন্নবা য়াদবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

CROSSWORD-3441



ACROSS
1 Mediterranean island (6)
4 Imaginary ideal place (6)
8 Cook's garment (5)
9 Bravery (7)
10 Former Greek currency (7)
11 Haughty (5)
12 Rued (9)
17 Brief written records (5)
19 Hug (7)
21 Strain (7)
22 Chess pieces (5)
23 Solemn promise (6)
24 Cheap and nasty (6)

DOWN
1 Beer and lemonade mixture (6)
2 Pirate (7)
3 Midday meal (5)
5 Brass instrument (7)
6 Keyboard instrument (5)
7 List of things to be done or discussed (6)
9 Colour-changing lizard (9)
13 Young goose (7)
14 Precious stone (7)
15 Part of the foot (6)
16 Largest of the Channel Islands (6)
18 Slight colouring (5)
20 Nativity (5)

Solution 3440

M	O	C	K	■	A	G	I	T	A	T	E	D
A	■	A	■	B	■	R	■	I	■	R	■	A
R	E	C	L	U	S	E	■	B	R	I	E	F
R	■	H	■	R	■	A	■	I	■	C	■	T
I	C	E	N	I	■	S	L	A	C	K	S	■
A	■	■	■	A	■	E	■	■	■	E	■	H
G	A	G	G	L	E	■	B	R	I	D	G	E
E	■	R	■	■	■	A	■	O	■	■	■	A
■	M	O	T	I	O	N	■	U	N	F	I	T
K	■	U	■	N	■	T	■	B	■	A	■	H
E	X	C	E	L	■	H	O	L	S	T	E	R
R	■	H	■	A	■	E	■	E	■	A	■	O
B	O	O	K	W	O	R	M	■	S	L	O	W

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3240

2	7				6	4		
	6	9	1		4			
		4						1
			6	2				9
	9						3	
7				3	1			
4						2		
			5		8	9	1	
		5	2				7	6

Solution-3239

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

7	4	6	1	2	5	3	8	9
1	8	3	9	4	6	2	5	7
5	9	2	7	8	3	4	1	6
4	2	5	6	7	8	1	9	3
3	7	8	5	9	1	6	4	2
6	1	9	4	3	2	5	7	8
2	5	1	8	6	9	7	3	4
9	6	7	3	5	4	8	2	1
8	3	4	2	1	7	9	6	5



অসিজোলনেং
ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম

নুপা ঙাইবা ওইনা মতম লেল্লগে।
অসিজোলনেংনা মশম থাধদুনা হিংচাবীদু কাহল্লম্মী।
মবান্নি ফম্মীন্নদুনা ৱারী শানরম্মী।